# মণিপুর পিপল বিল ষ্টেট এসেমব্লিদা য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা পাস তৌখ্রে পারুবদা

**শগোলশেম য়াইখোম্বা মঙাং**

"কুমজা ১৯৫১গী মমাংদা ষ্টেট অসিদা লৈরকপা ইন্দিয়াগী সিটিজন পুন্নমক মণিপুরী ওইনা লৌগনি" ৱাফম অসি ৱা মরোল নাইবা ৱাহৎখেক চেল্লি। ইন্দিয়াগী সিটিজন হায়বসি কুমজা ১৯৫১গী মমাংদগী মী কাঙলুপ তোঙান-তোঙানবা ময়াং হিন্দুশিংগী খুন্নাই কয়ামরুম মণিপুরগী ইম্ফাল ময়োল অমসুং চীংগী লমদা, তম্পাক্কী কৈথেলশিংদা অমদি লম-লম কয়াদা লৈরক্লে হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। চীংমী কয়ামরুমসু য়েলহৌমী ওইনা খুন্দামিন্নরিবসি খনবীবা চঙই। থোইদোক্লা ময়াংশিংবু 'নন-মণিপুরী' হায়না খঙনরকখি অদুগা মীতৈ/মৈতৈবুদি ইন্দিয়াগী মফম অমদা নৎত্রগা মালেমগী মফম অমদা চৎখিবদা মীশক তাকপগী মতাংদা 'মণিপুরী' হেক হায়রকপদা মীতৈ মচানি হায়বসি অতোপ্পনা খঙবীদ্রবসু চীংমী-তম্মী মণিপুরদা লৈজবা ঐখোয়নদি খঙনদবা লৈতে হায়জগে।

মণিপুরদা মীতৈবু মণিপুরী হায়না হোনা কৌফিবসি মীতৈগী পুয়ানদি য়াদবা ৱাফমনি হায়বসি পুয়া শুবা ইপা-ইপুশিংগী খঙবা ৱাফমনি। মরম অসিনা ইপা-ইপুশিং অদুগী মচা-মশু ওইজরিবা মীতৈগী ঈখেং-ঈশেং খুন্নাইসিনা পুয়াদা যুক্তফম ওইদুনা ইপা-ইপুশিংগী ঈগী খোঙ্গুল শোইদনা লিরক্কনি খঙখিবনা মরোঁ চাওবা বেঙ্গলি মহন্ত শান্তিদাস গোষাইনা মহারাজ পুকতিয়খিবা পামহৈবা ইনিংথৌগা পাইম পুকচেন চায়খিবনা মীতৈগী পুয়া লাইরিকশিংবু মৈ থাদুনা কংলা লাইফমদা উৎ ওলঙখিবগী ৱারী লৈপাক অসিদা মৈরীতান মুখথিবা, ঐসিমদি মীতৈগী ঈচেলদা ঙসিদা নত্তে তুংগী ইচা-ইশুশিংদসু শাহৌরগরা হায়বসি হন্দকী মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা "পাস তৌখ্রে" ৱাফম অসিদগী চিংনবা পোক্লরি।

ৱাফম অসিনা করিগুম্বা থবক ওইনা পাঙথোক্লকপা তারবদি ঙসিগী লৈঙাক পায়বীরিবা লৈঙাক মপু পুন্নমক্তা মীতৈ/মৈতৈ/মণিপুরী নৎতবশিংদদি বিল অসিনা এক্ট ওল্লকপা মতমদা শোক্লক্কনি হায়বসি থাজদে। মরমদি খুন্নাই অমমম্মি মশা-মশাগী শক্তম তাকচরিবা খুন্নাই মমিংশিং অদু মশাদা লৈনা লৈনা 'মণিপুরী' কৌবা খুন্নাই মমিং অসি ওইযু হায়রুবদা য়াগনি হায়বসি অত্ৱানি। মরমদি মণিপুরদা লৈবগী মণিপুরী কৌগনি হায়বসিদি ইন্দিয়াদা লৈবগী ইন্দিয়ান কৌই হায়গত্তুন্না অমদি চাইনাদা লৈবগী চাইনিজ কৌই হায়গত্তুন্না হায়বা য়াবা ৱাদি মমানবা ওইবদি ওইদবা ৱাহৎখেক্কুপ থম্বা ৱারেপ অমা শোয়দনা ওই হায়বসি ৱাহৈ খরসিগী মনুঙদা য়াওরি, মদুদি- "...বিল অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৫১গী মমাংদগী ষ্টেট অসিদা লৈরক্লবা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবা মীতৈ/মৈতৈ, মীতৈ পাঙল, সেদুল্দ ট্রাইব অমদি সেদুল্দ কাষ্টকী মীওই পুন্নমক অমদি মখোয়গী মচা-মশুশিং মণিপুরী ওইনা লৌগদৌরি।" হায়রিবা ৱাফম অসি অকক্লবা খুন্নাইগী মশক-মমিং পীবগা লোয়ননা মখোয়গী মচা-মশু ফাওবা মণিপুরী ওইনা লৌগনি হায়রিবসি মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইসি খুন্নাইসিগী ইশাগী মমিংসিদা হিংবা ঙম্মরোইদৌরব্রা। মরমদি মীতৈ/মৈতৈ হায়বসি খুন্নাই অমনি। মমিং অনী থোক্লিবসিদি 'মীতৈ' কৌবনা খুন্নাইসিগী ইপা-ইপূ অপোকপা ৭ (সলাই ৭) কী চাদা-নাওদাদা কৌরকপা খুন্নাই অসিগী য়েলহৌমিংনি। মৈতৈদা লৈবা চাদা-নাওদানা অতোপ্পা ঈ ফুরুপ অমা নত্তে, মীতৈগী ঈ-ঈশানি। মসিগী মরমদা ঈ অমখক্তগী মী কাঙলূপ ওইবা মরম্না মীতৈ/মৈতৈ হায়নরিবসিনি। মী কাঙলূপসিবুনি মণিপুরী কৌনরিবসি। খৃ: ১৯৩৪ দা চুরাচান্দ ইনিংথৌগী মতমদা "নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা" কৌবা লূপ অমা শেম্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মণিপুরীশিংসি হিন্দু ওঞ্জরগে হায়না চে থাদুনা হিন্দু ওনবদা য়ারে হায়বসিদি খৃ: ১৯৪১ গী ইন্দিয়াগী চহী ১০ (তরা)গী মীকোক থীবগী মতাংদা ইন্দিয়ন গেজেটতা ফোঙলকপদগী মণিপুরীশিংসি (হায়বদি মীতৈ/মৈতৈসি) 'মণিপুরী হিন্দু' হায়না খঙনরকখি হায়নৈ।

মণিপুরী অমা ওইবগী শক্তাক খরা 'মণিপুর ইতিহাস' কৌবা লাইরিক অমা মতমদুগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎতুনা খৃ: ১৯৬৪-৬৫ গী অদুৱাই ফাওবদা মণিপুরগী হায়স্কুল খরদা তমহনবীখি। লাইরিক অদুদা মণিপুরীশিংসি কনাগুম্বনা চাইনাদগী হৌরকই হায় হায়না ইখি। কনাগুম্বনা থাইলেন্দদগী হৌরকপনি হায়বসি ইবীখিবনি। ক্লাস সভেন, আইটতা তম্নখিবনি। ঙসি মশাগী চহী ৬০ (হুস্ফু) দগী তাদবা ৭০ (হুস্ফুতরা) অমসুং মথক্কী অহল-লমন নুপা-নুপীশিংনদি নীংশিংবীরমগনি খঞ্জবা ৱাফমনি-লাইরিক হৈবীবশিংদা। লাইরিক হৈজদবা ঐনা নীংশিংবা খরদু থমজবনি। মণিপুরীশিংসি আর্য্য বংসনি, ক্ষেত্রি বংসনি। বভ্রুবাহনগী মচা-মশুনি। মহাভারতকী অকনবা পঞ্চ পাণ্ডবকী অর্জ্জুন কৌবগী মচা-মশুনি... অদুনি... অদানি... য়াম্না হায়খ্রে, অদুগা শাগৈগী গোত্রদি মণিপুরগী নোংচুপ্তা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরিবা হিন্দুগী গোত্রদা পাননা তাকই। মদু হৌজিকসু 'মণিপুর ইতিহাস, মৈতৈ পূরান; বিজয় পঞ্চালী; শ্রীভাগ্যচন্দ্র চরিত; দিতীয় খন্ত" কৌবা লাইরিক্কী লমায় ২৬২ (চনী হুস্ফুনিথোই) শুবদা অসুম্না ইরি, মদুদি- "...অদু য়েক্কা, গোত্রগা পাননা হঙ্গৎকে, গোত্রনা গৌতুম, য়েক্না সরাং-লৈশাংথেম। কশ্যপ লুৱাং, অত্রেয়, মোইরাং অসিনচিংবা। সলাইবু গোত্রগা পাননা চৎনরিবসি অমসুং 'সলাই ৭' হায়নরকপদুবু 'য়েক ৭' হায়নখিবগী লিক্লম লিকখুনসু মণিপুর ইতিহাস মৈতৈ পূরানগী লাইরিক অসিদা ইরিবসিগী মতুং ইন্না চৎনরিবনি অমসুং 'মৈতৈ' হায়রবদি হিন্দু ওইবা খুন্নাই ওইববু হায়বনি হায়বা ৱাফমসিসু 'মৈতৈ পূরান' হায়বা ৱাহৈসিনা নীংথিজনা খূদম পীরি। মীতৈবু মণিপুরী ওইননবা হোৎনরকপদা 'মৈতৈ' হায়বা মমিংসিদগী হৌরগা হিন্দু আর্য্য ব্রাহ্মননি হায়নরিবা মৈতৈ বামোনগী 'মৈতৈ' কৌবা মমিংগা মমিং মান্নরবসিদা ঐখোয় পূম্নমক অমত্তনি হায়রি, নুংশি চান্নরা মৈতৈ বামোনগা মীতৈ/মৈতৈগসি লাইনিংসু অমখক্তগী ওইবা হিন্দু লাইনিং চৎমিন্নদুনা মীতৈ খুন্নাইসিনা লৈমিন্নজরকপসি চহী ৩০০ (চহুম) লোমতগী মতম্তমক্ ঙাইরি হায়নরি।

লৈবাক মমিংগী মতাংদা অসুম্না ইবা থেংনৈ মদুদি- "...লমদমসিগী পুৱারী, অরিবা পুয়াশিং অমসুং লমলোন্নবা লৈবাকশিংগী রেকোর্দ নৈনবদা ফংজবশিংদগী খৃ: কুম ১৪৬৭-১৫০৮ মৈদিংঙু সেমবী কিয়াম্বগী মতমদগী মণিপুরনা তোঙান-তোঙানবা মমিং "ৱাঙম, পোইরৈ, কতে, কসি, কলে, কংসে, কথে, মেখলী, মেক্লে, মগলৌ, মাগলী, মৈতৈ লৈবাক, কংলৈপাক অমসুং মণিপুরনচিংবা কৌদুনা খঙনরক্লি।" (Ref. to মৈতৈ বামোন হৌরকফম" "নামৈরাকপম ইবোচৌবা সিংহ অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা; ব্রহ্মচারিময়ুম কুল্লচন্দ্র শর্ম্মা; ৱাহৌদোক।" ময়ামসি অইবনদি চুম্না ইজরবসু, শেমজিনবা অমদি ওইরে হায়বসি নৈনবশিংনা খন্ননিংঙাইদি ওইরে।

লৈবাক অমগী মমিংনি হায়দুনা অইবশিংনা ইতিহাসনি, অমনা পুয়ানি হায়না তাকপীরি। অদুবু 'ইতিহাস' হায়বসিনা হিন্দুগীনি (ৱাহৈসি)। 'পুয়া' হায়বসিদি মীতৈগীনি। হিন্দুগা মীতৈগদি মী মশেল ওইরবসু খুন্নাই অমমম্নি হায়বসিদা ৱায়েৎ চঙবা কান্নরোই। মতম অমসুং ৱা মাংনবনি। 'মৈতৈ' হায়বদা মমিং মান্নরবসু বভ্রুবাহনগী মচা, অর্জ্জুনগী মচা-মশুনি হায়রবসু মীতৈ/মৈতৈ/মণিপুরী (হিন্দু) খুন্নাইসিবু আর্য্য ব্রাহ্মন (মৈতৈ বামোনশিংগদি শোক্লবদা বামোন মাংই হায়দুনা শোক্লদে। মীতৈ (মৈতৈ)না বামোনদা শোকউবা মতমদা বামোনদি শি হায়দে অদুগা বামোননা লাৎচবা লাইদুদা মীতৈ/মৈতৈ/মণিপুরীনা থেংঙুরবদি, থেংঙুরিবা লাইদু শিরে হায়দুনা 'লাই জিব ন্যাস তৌবা' হায়ব্রা করিনো লাইগী থৱায় হাপ্পুবদি য়াদবগী চৎনবী লৈদুনা লাই শোকউরিবা মীতৈ...গী মীশক্তুনা অচঙবা শেল পুথোক্তুনা, লাইগী ফিজোল হোংবা, চৎনবীগী চাওরবা চৈরাক মখল অমনি। ৱারী শমজিনজগে। মসিমক্লা মীতৈ/মৈতৈ/মণিপুরীনা হিন্দুগী লাই শোকপদা মাংনরব্রা হায়রগদি মণিপুরগী ৱাংমদা ইন্দিয়াগী অতৈ লাইফমশিংদদি লাইদা শোক্তুনা খুরুমহল্লিবনি হায়। অদুদদি মাংদবা। ঐখোয় খরদি থিবা চুম্মী।

মীতৈ/মৈতৈ/মণিপুরীনা হিন্দু লাইনিং চৎপদগী সনামহি লাইনিংদা ইপানাৎ-ইপূনাৎকী লীচৎ চৎতুনা ইচা-ইশুবু ইপা-ইপূগী ঈগী খোঙ্গুলদা পোকপগী শাগৈ সলাই মশক খঙনা শেম্বীননবা হোৎনরকপদা ঙাইরিঙৈসিদা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিদা মণিপুর পিপল বিল য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা পাস তৌখ্রে হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী লাইবক থীবনি। মণিপুরীনা অসুক য়ামখ্রবা হিন্দুগী ৱাফম ময়াম অমা ইথক্তা নল্লগা ইন্দিয়াগী সিটিজন পূন্নমক্তি হায়রবসু থাইনদগী লৈমিন্নরক্লবা মারৱারি, পঞ্জাবী, দেশৱালি, নেপালি, মৈতৈ বামোননচিংবদি মণিপুরী ওইগনি হায়না লাউথোকপসিদা মশক-মমিংশিং পনবীদবসি মখোয়বুদি কুমজা ১৯৫১ গী মমাংদগী লৈরক্লবসু মণিপুরী ওইনা লৌবীরোইদৌরিবরা। ৱাফমসি ঙকই। ঙক্তনবদি মীয়ামগীদমক্তা হোৎনবীবশিংনা শেংদোকপীফম থোকই। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টরশিংগী থবক্তা অয়েৎপা ওইনা লৌবীগনু। পূন্নমকপু ইকায় খুম্নজরি।

য়েলহৌমী মীতৈ (মৈতৈ) খুন্নাইগী য়েলহৌ মমিংসি ইপানাৎ-ইপূনাৎকা লোয়ননা হিংননবা লৈঙাক্লা তেংবাংবীয়ু।◄◄

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈঙাক অমা লৈ হায়বগী মতিং ফুদোকপীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা অঙকপা চৎনবী অমা উবা ফংই। মদুদি মখোঙ হামফম ফাওবা মতিক চানা লৈতবা মীওইশিংনা মমাঙ শঙ্গোইমুক চাউবা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী লৈগনি, মশা মশাগী ইঙ্খোলদদি থমফম লৈত্রবনিনা লম্বীদা মফম চাই খঙদে, চাদে খঙদে চহী চুপ্পা খামদুনা থমগনি। লাক্ষ তরাগী মথক্তা পীবা গাড়ী লৈবা ঙল্লগা গাড়ী অদু থম্নবা গেরেজ অমা থাগী পৈশা পীথোক্লগা ৱাইবা ঙমদ্রিবা করিগীনো ? খ্বাইদগী অঙকপা অমনা মণিপুরদা লন্নাই হোস্পিটাল, ক্লিনিক, বেঙ্ক, স্কুল, ফিতনেস সেন্তর, ওফিস, বিজিনেস সেন্তরনিচিংবা চলাইবীরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী মখোয়গী লমদা গাড়ী পার্কিং শেমদ্রিবা করিগীনো? অসিগুম্বা অচৌ অচৌবা বিজিনেস সেন্তর চলাইবা য়াবা বিল্ডিংশিং শানবিরিবা বিল্ডিং মপৃশিংনা মশাগী লমদা পার্কিং শেমবীদ্রিবা করিগীনো? থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং পাওনা কৈথেলদা মপান্দগী লাক্লগা করবার তৌবীরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী দুকান মমাঙদা মীয়াম্না চৎনগদবা লম্বীশিংদা চহী চুপ্পা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী খামজিন্দুনা থল্লিবসিদা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক অমসুং হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অথিংবা থমদ্রিবা করিগীনো? মখোয়গীদি পুলিস এক্ত লৈতব্রা ? য়াম্না অঙকপা অমনা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা শাখিবা মালেমগী অমত্তা ঙাইরিবা নুপী কৈথেল অহুম অসি শাখিবদা গাড়ী পার্কিং য়াওখিদবসিনি। মণিপুরদা মমাঙদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা শোয়খিবা অমসুং ঙসিগী লৈঙাক অসিগী হেক মমাঙদা পানখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা মীয়ামদা কান্নবা ইপি পীদবা কাখৎপগা কুমথবনা হানবা য়াম্না তেনবা ফ্লাই ওভর ব্রীজ অমা উরিপোক কাংচুপ রোদতা, ইমা ইবেম্মা লাইখুরেম্বী মপাদগী হৌরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুং ফাওনা বি টি রোদতা আই এস টি ভিগী হেদ ওফিস মমাঙদা লোইশিল্লিবা ফুট ১,৫৩০ রোম শাংবা থোং অসিনা অহোইনদুম বি টি রোদ অমসুং কাংচুপ রোদপু পীকশলহন্দুনা মীয়ামদা ত্রাফিক্কী অৱাবা মায়োক্লহল্লে। হান্নদগী চিন্দুনা লৈরবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসিগী মনাক্তা মমাঙগী লৈঙাক্লা তোম্বিস্না স্কল মুৎথৎলগা কৈথেলশঙ শাগৎলিবসিগী মহুত্তা অচৌবা পার্ক নৎত্রগা অচৌবা শান্নবুঙ অমা ওইনা শেমগৎপীরম্লবদি মীচম মীয়ামদা কয়াদা কান্নরমগদবা। থবক্তগী পোত্থারবা অহল-লমনশিংনা অমসুং লৈকায় লৈকায়দা লৈরম্বা শান্নবুং ওইরম্বা লম্পাক মচা মচাশিংদা কম্যুনিতি হোল শাজিনখিবদগী ককঙাওনরবা অঙাংশিংনা কয়াদা হরাউজরমগদবা। কৈথেল হায়বসিদি লনাই মীওই, শেঞ্জাও পাইবশিংনা শেমগৎপা ঙম্বা পোৎশকনি। ঙসি মণিপুরদা সোপ্পিং মোল মচা মচা থোক্লক্লিবসিনি। ইকুই কুইদনা অচৌবা সোপ্পিং মোলসু মণিপরদা লৈরক্লগনি। লন্নাই মীওইনা তৌবা ঙমদবা, লৈকায় লৈকায়দা দোমেষ্টিক ৱাটর পাইপ লাইন ওইনা লৈঙাক্লা তিংবীয়ু। কৈথেল শেমগৎপিগে হায়রবসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদগী খরা হায়দোকখিবা মফমদা শেমগৎপীয়ু। মণিপুরদা মপান্দগী লাক্লগা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা করবার তৌবীরিবা মীওইশিংনদি অতোপ্পা মফম অমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগুম্বা অমা লৈরকপা করিসু পাম্লল্লোই। ঐখোয়গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা, চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা করবার তৌবা উদে। হোলসেল্লরনসু রিতেল্লরদা পোৎ য়োল্লি, রিতেল্লরশিংনসু হোলসেলদা পোৎ য়োল্লি। ঐখোয়গী মণিপুরদা পোৎকী মমল লেপ্পা অমসুং শম অককমল লেপ্পগী থবকসি মহৈরোয়গী লুপনা তৌবা ওইনা তৌই। ঐখোয়না খুল্লক্তা পোৎ লৈবদা এম আর পিদগী লুপা মঙা হেনগৎলগা পোৎ লৈবসু য়াওই। পোৎ লৈবদা পৈশা অচৌইবা লৈতবদগী পামদা পামদা অরেম্বা পৈশা অচোইবদুগী সপোন মচা নৎত্রগা মিঠাইগুম্বা লৈ। মণিপুর খক্তদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মফম খুদংমক্তা পৈশা কুনমঙা, য়াঙ্খে, লুপা অমা, অনী, মঙা, তরা, কুন অমসুং য়াঙ্খে চৎপী মরাং কাইনা ফংঙি। মণিপুরগী বেঙ্কশিংদা হায়রিবা পৈশা অচোইবশিংসি ফংদ্রবসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেল নম্বর ৱানগী অৱাং থংবগী সিড়ি থাক মনাক্তা এঞ্জাং-নাপীদৌনা পৈশা অচোইবা মথা মথা থাদুনা য়োল্লি। মীচম মীয়ামদা মতম চুপ্পা শেল অচোইবা ফংহনবা হায়বসে লনাই মীওইনা ঙম্বা থবক নত্তে। লৈঙাক্লা মণিপুরদা শেল অচোইবা ফংহনবীয়ু।

হৌখিবা জুলাই ২৭কী নুমিদাংগী আই এস টি ভিগী দিস্কসন অৱার হায়বা প্রোগ্রাম অদু য়েংলুবদা, *ক্রাইসিস ওফ ষ্ট্রিট বেন্দর* হায়বা তোপিক অদু খন্ন-নৈনবদা য়াওবিখিবা পেনেলস্তি অমনা হায়বীবগী মতুং ইন্না,ইমা কৈথেল অহুমগী মথক থংবা শরুকশিং হাংহল্লিবসি মমাঙদা অরিবা ইমা কৈথেল অহুম অদু শিদোক্লগা অনৌবা কৈথেল শানবা মতম অদুগী লৈঙাক্লা হোৎনরকপদা ইমা-ইবেনশিংনা অরিবা কৈথেলগী শক্তম কাইহনবা য়ারোই, অনৌবা কৈথেলশঙশিং শাবা য়ারোই হায়না অয়েৎপা পীরকপদগী অনৌবা কৈথেলশঙশিংসি শাবা য়ানবা মতম অদুগী লৈঙাক্কা কৈথেল অহুমগী ইমা-ইবেনশিংগা য়ানবা অমা লৈখি, য়ানবদুদি মথক্কী শরুকশিংদা মখা মখাদা য়োল্লিবা পোৎশিংসিগা মান্ননা পোৎ য়োলহন্দবা অমসুং আই এম সীনা অনৌবা লাইসেন্স পীদুনা, লাইসেন্স পায়বা মী মশিং হেনগৎহন্দবা হায়বদুনি হায়না থম্বীখি। অঙকপনি কৈথেল অহুম অসিদা পোৎফম ফম্বীরিবা ইমা-ইবেনশিংসু মতম অমদা পোদোন থাল্লগা পোৎফম ফম্লম্মি হায়বসে কাউথোকপীখ্রমাল্লে। নুংঙাইবনা অৱাবা মশক খঙদে হায়বদুনি। ঐখোয়না য়োল্লিবা পোৎশিংসিগা মান্নবা পোৎ অনকপদা অমত্তা য়োনবা য়ারোই হায়রবদি, ঐখোয় শৌগ্রি লৈনবগীদমক্তা ইমা কৈথেলদা ক্যু লেপ্পা তারিব্রা? ঐখক্তা হীংগে হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থাদোকসি। ঙসিগী ষ্ট্রিট বেন্দরশিংসি ঐখোয়গী ইচা-ইনাও, ইচে-ইচল, ইমা-ইবেন ঙাক্তনি হায়বসি কাউথাক্লোইসি। মখোয়সু ঐখোয়দৌনা ইমুং-মনুং পুনবা, মচা-মশু থাক্লবা, মচা-মশু লাইরিক-লাইসু তমহন্নবা মথৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা, নোংজু-নুংশা অমসুং উফুল মরক্তা লম্বীগী মতাইদা পোৎফম ফল্লিবনি, অমিয়া কাবা লাকপা নত্তে হায়বসি মণিপুরগী মীপুম খুদিংমক্লা খঙবীরমগনি খঞ্জে। মখোয় ময়াম লৈবদগী চৎলগা চা য়োনবী কয়া, অচা-অথক য়োনবী কয়া, বোটলগী থক্লবা ঈশিং য়োনবা কয়া, চুহিং য়োনবা কয়া, আইসক্রিম য়োনবা কয়া অসিনচংবা মীওই কয়াসু হিংলিবনি হায়বসি ঐখোয় কাউফদে।

লম্বী চিন্দুনা চৎথোক-চৎশিন্দা অৱাবা মায়োক্লরিবসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লৈরিবা ইমা কৈথেল অহুম অসিগী অকোয়বা খক্তদরা, মফম অতৈদদি লম্বী চিন্দুনা চৎথোক-চৎশিন্দা অৱাবা মায়োক্লদবরা? খুদম ওইনা কৈথেল অহুম অসিদগী খজিক্তংহায়দোকখিবদা, থাঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেল, কাংজৈবুঙ ময়াগী বি টি রোদ, তেম্পররি কৈথেলগী খাদা লৈরিবা বি টি রোদকী লম্বী মতেক, নাগামপাল লম্বী, রিমস রোদ, কাংচুপ রোদ, শাগোলবন্দ লম্বী, ৱাহেংবম লৈকাই লম্বী, মীনুংথোং মনাক্কী হাপতাগী লম্বী পরেং অসিনচিংবশিংদি লম্বী চিন্দুনা লম্বী চৎথোক-চৎশিন্দা অৱাবা মায়োক্লদব্রা? লৈঙাক্লা থবক অমা পায়খৎপিবা মতমদা মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং কান্ননবা য়েংলগা পায়খৎপিয়ু। মীওই খুজোক খরনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈরবসু অয়াম্বা মণিপুরগী মীয়াম্না লৈঙাক্কী মায়কৈদা লৈগনি হায়বসি কাউথোকপীদনা লৈঙাক অমা লৈ হায়বগী মতিং অদু ফুদোকপিয়ু।

*অদোমগী-থৌনাওজম মনোরঞ্জন, উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাই*

## চহী শুদনা লুহোংবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

চাইল্ড মেরিএজ প্রোহিবিসন এক্টকী মখাদা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং অসি য়াম্না ফজৈ অমসুং থাগৎনীংঙাইনি। চহী শুদনা নুপা-নুপীশিং লুহোংবা থিংখ্রে হায়না জুলাই ৪, ২০১৮দা পাউচেগী খূৎথাংদা ফোঙখিবা থেংনজখি, য়াম্না থাগৎনীংঙাই ওইবা থৌদাংনি হায়না লৌজৈ। মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি করিগুম্বা নুপা-নুপী, লুহোংগদৌরিবা ইমুং-মনুং অনীনা য়ানদুনা লুহোংখিবা কয়ামরুম অমা য়াওদবা নত্তে। ইনাৎকী করিগুম্বা লুহোংবা তারবদি তঙাইফদনা ইমুং অনীগী মরুপ-মপাং, শাগৈ নাতৈ, মরী-মতা অমসুং কৈরোই লৈকায়গী মীওইশিং লাকপীনবা চৎনবী কাঙলোনগী মতুং ইন্না মাঙজৌননা চেবাউ পীদুনা পাউ খঙহল্লি। মসিগী মতুং ইন্না লুহোংবদা চঙগদবা পোৎলমশিং লৈদুনা অখঙ অহৈ নেক্তুনা শেম শানৈ। ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী চৎনবী মতুং ইন্না অহল লমন্না হায়না শিংনদুনা লুহোংবা তারবদি পক্লবা পক্লদবা মপোক থাগী ইবা কুঠি য়েংনদুনা নুমিৎ-থা য়েংদুনা মতম লেপনৈ মখোয়শিং অসিদি চহী শুরবা ঙাক্তা ওইরম্বা য়াই। অদুদি নত্তবা লোন্না হায়না শিংনবা তৌদবা নুপা-নুপী মশা-মশা য়ানদুনা অহল লমন খঙদনা চেল্লকপশিং অসিদি চৎনবী তুংইন্না নুপা ময়ূম্না পাউ পীবা ওইনা চৎলগা ৱা লেপ্নদুনা লুহোংবগী নুমিৎ লেপনৈ, করিগুম্বা য়ানদ্রগা খায়দোক্লে।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমনা চহী শুই, শুদে হায়বগী প্রমান ওইনা খঙনবা একাদেমিক এজ অধারগী সার্টিফিকেটনচিংবা চ্যেক তৌরগা লুহোংহনবিবনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা খঞ্জে নৎত্রগা আইন্না য়াবা অয়াচে, পার্মিট সিষ্টেমদা লুহোংগদৌরিবা ইমুংশিংনা মাঙজৌননা চাইল্ড মেরিএজ প্রোহিবিসনগী মীৎয়েং মখাদা পার্মিট পায়দ্রবদি লুহোংবা য়ারোই হায়না মাঙজৌননা লাউথোকপীরবদি হেন্না ফবা ওইগদ্রা খঞ্জে। কনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক থৌরমশিং চপ্থরম্লবদি মতিক চাবা চৈরাক ফংই হায়বা কাঙলোন লৈরবদি অথিংবা অসি মায় পাকপা ওইগনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি য়াম্না খঙ হৈবগী মওংদা তাকচবগী নৎচদে, চহী শুদনা লুহোংবনা কয়াম মাঙজবা অমসুং লুহোংবগী অথিংবগী তেংবাঙ ওইনবা পঞ্জবনি। অদুবু অচান মীরাই ওইনা তৌবা মওংদা খরনা লুহোংখি, খরনা থিংই। আইনগী চুক্তি পায়বিরিবশিং অমসুং লন্নাই ওর্গেনাইজেসনশিংনা পায়খৎপীরিবা থৌদাংদা য়েৎচবা নৎচদে, তেংবাঙবনি হায়না লৌবিয়ু।

লুহোংগদবা মতম ৱাৎলিঙৈদা মাঙজৌননা অথিংবা লৈরগদি লৈত-লৈতনা শিল-লাংজরিবা পোৎ চৈশিংগী খরচশিং ৱাখল নুংঙাইতবগী, ইকায়বা নংবগী, শেংদোকপগী চঙখিবা শেনফমশিং মাঙলোইদ্রা হায়না খঞ্জে। ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিংগী ৱাখল নুংঙাইতবা অমসুং ইকায়বা নংবতনি। কনা-কনাগুম্বা লায়রবা ইমুংশিংদা থোক্লবদি মীঙোন্দগী লৌশিল্লুবা শেনফমশিং, লুহোংবসু য়াদবা তুংদা করি ওইখিনিসু খঙদবা মীগী শেলদি শিংদবা য়াদবনিনা লৈজবা লৌ-ইঙ্খোল য়োল্লগা শিংবা তাবনি। অখঙ অহৈশিং অমসুং চৎন-কাঙলোন শীনবিরিবা দিপার্টমেন্টনা হেন্না ফজবা কাঙলোন পুথোকপীদুনা লিলসু শিদনবা চৈশুসু তেক্তনবা মওংদা শীনবিরবদি চাইল্ড মেরিএজ প্রেহিবিসনগী চৎন-কাঙলোন হেন্না ফজবা ওইগদ্রা খঞ্জে। মাঙদা উবখক্তনা অথিবা পীবা, তুংদা তৌবনা হন্না য়েংদবা, এক্ট অসিগী ৱাংমদা চপ্থখিবা কয়াসি লাইবক থীবনি, অচুম্বা অমসুং মান্নবা খুন্নাই ওইহনবীয়ু।

ইকায়খুম্নজরবা অখঙ অহৈশিং অমসুং দিপার্টমেন্টনা য়াম্না মমুৎ তানা য়েংশিনবীরগা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবীয়ু, চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লুহোংবা থিংবদা তুংগী মীরোলগীদমক মায় পাকপা ওইবীয়ু অমসুং লৈত-লায়রবশিংগী খুদোংথিবদগী ঙাকথোকপীয়ু হায়না চাইল্ড মেরিএজ প্রোহিবিসনগী খোঙথাংদা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা মায় পাকপা ওইবিয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

## লম্বী পূমশং শংহন্নবা রোদসাইদ ট্রী প্লান্টেসন তৌবীহৌ

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

গ্রীন প্লান্টর্স সোসাইটি (জি পি এস) না নোংমৈবুংদা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখিবা 'দি গভনর্স ইনিসিএটিব ফোর গ্রীন মণিপুর' হায়বা লোইশিনবগী থৌরম অমদা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা য়াম্না চংখোন্না ফোঙদোকপীখিবা মণিপুরদা লৈরিবা মী লাখ ২৮ অসিনা চহী খুদিংগী উ-পাম্বী অমমম থারগদি শুংশোয় শোয়দনা ষ্টেট অসি পূমশং-শংবা লমদম অমা ওইহনবগা লোয়ননা নীংথিজরবা এনভাইরনমেন্ট অমা শেম্বা ঙমগনি হায়দুনা হায়খিবা ৱাফমশিং অদু রোদসাইদ ট্রী প্লান্টেসনগী মতাং অসিদা খংনিং নীংশিংলকই। তাকপীরিবসিগী ৱাহন্থোক্তি মী লাখ ২৮ অসিনা চহী খুদিংগী মী অমমম খুদিংনা উ-পাম্বী অমমম থারবদি পূন্না তিঞ্জেন-লায়চেনবা অমসুং তেক্ত-কায়দবনচিংবা য়াওবীদ্রগদি উ-পাম্বী লাখ ২৮ হৌরক্কনি হায়বনি। তুংগী ৱাহন্থোক লৈনা ফোঙদোকপীখিবা ৱাফমনি। অমরোমদা খরা হোৎনবা কলহল্লগা শাংলবা চহী অমগী মতম মাঙহন্দনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা মী খুদিংনা উ-চারা তরা-তরা থাহনবীরবদি চহী অমদা মী লাখ ২৮ অদুনা উ-চারা লাখ ৯২২০০ থাবা ঙমগদৌরিবনি। তৌবদবু মীয়াম্না উ-পাম্বী হেক্তা থানিংই হায়দুনসু মফম-মতম চাবা অমসুং লৈঙাক্কী মরম চাবা য়াথং অমা য়াওদ্রবদি উ-পাম্বী থাবা হায়বসি অপিকপা ইস্যু ওইজরগসু মণিপুরদদি থবক ওইনা হেক খন্নরকপদা অরুবা ইস্যু অমা হেক্তা ওল্লকই। মরম অসিনা মতিক চানা উ-চারাশিং ফংহন্দুনা, লৈঙাক্লা তুং-কোইনা চথনবা মতীঙ থোকপা পোলিসি প্লান অমগী মখাদা মতম মাঙহন্দনা উ-পাম্বী থাবগী থবক অসি চথহৌবা তঙাইফদে। লৈবাক মীয়াম্না হেন্না তৌহঞ্জনিংবা অমসুং পাউজেলগী খুত্থাংদা তাজনিংবদি করিগুম্বা থৌরম অমদা মীওই খরা পূল্লগা অফংবা লমহাং খরদা নোংমদুগী ওইনা উ-চারা অসুক থাখ্রে হায়বদু নত্তবীদা তুং কোইনা পোলিসি প্লান অমগী মখাদা উ-পাম্বীশিং থাদুনা চহী অমদা মীশিংনা অসুক শুরে অদুগা উ-পাম্বীনা অসুক শুরে হায়বনচিংবা নিংথিজনা মরিক চুম্বা থাজনিংঙাই ওইবা লৈঙাক্কী পাউ অদুনি।

উ-পাম্বী থাবা ফৈ হায়দুনা মফম ইচা-চাদনা খুখ্রবা অপিক-অপিকপা ট্রাফিক কঞ্জেসনসু য়াম্না লৈবা পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেলনচিংবগী লম্বীশিংদা যূমশিং/দুকানশিংগা য়াম্না নক্লনা লম্বীগী নাকল অনীমক্তা থাজিল্লুরবা উ-পাম্বীশিং অদু চাউরক্লদুনা য়েংবদবুদি ফজরে, উ-পাম্বীগী কান্নবসু ফংলে হায়ববু লম্বীগী পাক-চাওবা অদুগা মতিক-মপা ইচা-চানদবা অমসুং পাম্বী থাফমসু মফম চাদবনিনা লম্বীগী শক্তম অদু নিংথিজবা ওইদবগী মথক্তা মরক্তা নৎত্রগা খোঙ-লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুরৌ ইথাং-থাংবগুম তৌদুনা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকই। য়াম্না খন্ননিংঙাই ওইবা অমনা মশা-মরেংশিংগা লোয়ননা চাউখৎলক্লিবা উশিং অদুনা য়াম্না নক্লনা লৈরিবা যূমশিং। দুকানশিং অদুগা ঙাথু-থেংথুনরবনিনা নোংমদি মীফত্তশিংনা হুরান-চিন্থিনচিংবগী ক্রাইমশিং তৌনবগী খুদোংচাবা লৌরকপা য়ারিবনি।

এয়রপোর্ট য়ৌবা লম্বীনি হায়দুনা টিদ্দিম লম্বী অসি মশক ফজহন্দবা অমসুং মতিক চাহন্দবা য়াদে হায়দুনা হা-কা লাউনবমখৈ হোৎনদুনা ফনা নিংথিনা পাক-চাউথোকহনখিবা ফনা কুইখ্রবসু, লম্বীগী নাকল অনীমক্তা লৈরিবা দ্রেনেজ সিষ্টেম অসি নিংথিনা মওং তানা শেম্বা হৈতবদগী নোং খজিক্তং চুবদা অমোৎপা ঈশিং হেক হেক পাথোরক্তুনা সোরোক্তা করিদা হাগৎলক্তুনা থুমজিনবা তোয়না থেংনরি। অদুগীসু মথক্তা মতিক চাবা ফুটপাথ লৈতবদগী, সোরোক্তা খোঙনা চৎলিবা মীশিংনা খঙহৌদনা রোদ এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিবনচিংবা য়াওনরিবনি। অসিগীসু মথক্তা, সিটি অসি পূমশং-শংনবা অমদি নিংথিজবা এনভাইরনমেন্ট অমা ওইহন্নবা উ-পাম্বীশিং থাগদবনিদি হায়রগা উ-পাম্বী চারা লৈতবনরা এয়রপোর্ট লম্বীদা নত্তনা অতৈ কাবক চাউথোক্লবা লম্বীশিংদসু মওং-মরিল তানা রোদসাইদ ট্রী প্লান্টেসন হৌজিক ফাওবা তৌবা উদ্রি। লম্বীদা নত্তনা রোদ মিদিয়ন খরসু চান্নগদবা উ-পাম্বীশিং থাবা উদ্রি। খরা থাবা হৌবা য়াওরবসু, মরক-মরক্তা শাংনা অহাংবা লৈহনবা, শিরুম-নারুম তৌবা, তিঞ্জেন-লায়চেনবা হন্না য়েংবীদবা খরসু ময়াওবা, শাহৌ, শাওং-শাদানচিংবা মান্নরোইদবা পাম্বীশিং, করম্না ফজহনগনি, করম্না চাং মান্নহনগনি হায়বনচিংবগী ৱাখল্লোন ইয়াও য়াওদনা হেক্তা থাজিনবসিসু থবক্তা মচু তাদবগী, ইশাগী থবক্কি খন্দদুনা থৱায় য়াওশিন্দবগী খুদমনি। অসিগীসু মথক্তা, মিদিয়নদা খারিবা য়োৎকী রেলিং অনীমক্তা মী লিৎশিনবা চনবা অহাংবা মফম খরা লৈবদগী, মদুদা হৌজরিবা পাম্বীশিং অদু খোঙনা-করিনা নেৎশিনবীদুনা হৌগৎপা ঙমদবমখৈ শিবা ঙাইদুনা লৈরিবা পাম্বীশিং অদু তশেংনা য়েংহৈদবা অমসুং নুংঙাইজদবা পোকই।

উ-পাম্বী চাউনবা হোৎনবদা মতম খরা শাংনা চঙবনিনা, সিটি অসি পূমশং শংবা অমা ওইহন্দুনা নীংথিজরবা এনভাইরনমেন্ট অমা শেম্বদা মতেং ওইনবগীদমক চান্নগদবা ফজগদবা উ-চারাশিং খন্দুনা ফজগদবা মওংদা মফম চানা পরেং চুম্না লাপ্পা মান্ননা থাবীদুনা তুং-কোইগদবা মওংদা রোদসাইদ ট্রী প্লান্টেসন অসি অথুবা মতমদা এয়রপোর্ট লম্বী অমসুং অতৈ অতৈ লম্বীশিংদসু তৌবীনবগীদমক মরী লৈনবশিংগী মফমদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী- ডো. এন জি মঙ্গি, সেগালম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট।*